# ‘‘মণিপুরসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নত্তবরা’’



## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি
## উশম ধরমেন্দ্র

ইমা লৈবাক মণিপুরসি অৱাবা কোকপা ঙমদনা অদুমক লৈরি। কুকি নার্কো টেররিষ্ট খূৎপু খরনা ইরমদমসি তংদু লৈতাহন্দনা থল্লক্লিবসি চহী অনীগা থা তরুক হেনখ্রে। প্রসিদেন্টস রুল লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি মতা ফবা চীংমাইশিংদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ, বোম কয়া কাপথরক্লম্মী। দ্রোন বোম্বিং তৌরম্মী। রোকেট বোম ফাওবা শীজিন্নদুনা মীচম মীয়াম হাৎতুনা অকি-তুংজ ুংবা পোকহল্লম্মী। অদুবু প্রসিদেন্টস রুল হেক লাকখিবদগীদি করি করম্না পাউমেন্নবনো খঙদ্রে নোংমৈ, বোমগী মখোল তাহল্লকখিদ্রে। ৱাখল তামিন্নবা হায়বদু ওইরমাল্লে প্রসিদেন্টস রুলগা কুকি টেররিষ্টশিংগগী মরক্তা। দিরেক্টর অমনা ফজনা তন্বীরিবা লীলাগী লীলারোইশিংনি। মখোয়না শান্নবা লীলাদা য়েলহৌমী মীতৈশিংগী পূন্সিদি অদুম কাং খোং চাইদুনা লৈরক্লি। শাংলবা মতমসিদা শুফম-নোম্ফম, লৈফম-চাফম খঙদনা লেল্লিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈশিংগী পূন্সি অসুক্কী মতিক হায়ফম খঙদবা অৱাবনি। ইশাগী যূমদবু চঙবা য়াখিরোই হায়দুনা চঙহন্দবা অমদি ইশাগী লৌরি যূম্ফমদুবু কুকিশিংনা মাঙহন্দুনা মখোয় মশেল শায়েন ঙায়েন্নখ্রবদা মদুদা যূম্বু অদুগী থম্মোয়দা ফাওরমগদবা মৈচাক্তু ফোঙদোক্লবা ৱাহে লৈরোই। লৌরোক থাসিদা মহৌশাগুম সনা ফৌনা পীক থন্না লৈগদবা চীংয়া তময়াদা খুন্দাজবা মীতৈ কয়াগী কৈ (কোট) ইহাঙ হাঙদুনা লৈরে কুকিশিংনা লৌফমশিংদু মুন্দুনা মখোয়গী ওইখিবনা।

মীতৈগী লাইওইখ্রবা অথৌবা ইপা-ইপুশিংনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগা অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নদুনা লাক্লিবা ইরমদম মণিপুরনি। মসিদা মণিপুরদা হুরানবা চঙলকখিবা কুকি টেররিষ্টশিংনা মখোয়গী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন কা তাল্লদনা। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন ওইগেরা য়ুনিয়ন টেরিটরি ওইগেরা মখোয়না মদু তানবগী হক শুংলে লৈতে। খ্বাইদগী ঙল্লিবদি মখোয়গী অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশন ওইগেরা ওইরোইরা মখোয়গী মপা-মপুগী লম ‘এন্সেষ্ট্রেল লেন্দ’ নি হায়না মণিপুরসিবু ক্লেম হেক হেক তৌবা থেংনরি। লাইরিক লাইশুদি হৈরগা অরানবা হিষ্ট্রি শেমগৎলিবা সুদো-স্কোলরশিংনা লান্না লমজিংবীখ্রবা ইনখৎলক্লিবা কুকি নহাশিং অদুগীদমক্তা খনবদা নুংঙাইতবা পোকই। মখোয়না মমৈথংদা অচুম্বদু খঙলক্লবা মতমদা ঐখোয়সি মণিপুরদা রিফুজি ওইনা লাকখিবনি হায়না খঙলকপা মিৎকুপ্তা ফাওরক্কদবা ইকায়বদুগী খল্লুবদা নুংঙাইহীবীদে। কুকি নহাশিং মঙলান অমদা মখোয়গী লুচিংবশিংনা তাওহল্লি। টেররিষ্টকী থবক তৌরগা মীতৈ মীচম মীয়াম হাৎলগা মখোয়গী জালেঙম ফংগনি, মখোয়না তৌরিবা থবক্তু অফবনি, মখোয়গী মীয়ামগী য়াইফনবনি খলহল্লি। অদুবু মখোয়না মসিমদি খন্থগদবনি মদুদি মীতৈশিংনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়দনবা মহৌশাদগী হৌনা লেপ্তুনা লাক্লি হায়বসি। ঙসিসু লেপ্লি, হয়েংসু লেপখিগনি। মীতৈশিংনা মালেমসিদা হিংলিবমখৈ মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগায়বা কনাগীসু মতিক নত্তে।

কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা নমদুনা থোকহনখিবা লানসিনা ৱারোইশিন অমা লাক্ত্রিবমখৈ কুকি অমসুং মীতৈশিং অদুমক ৱাখিগনি। কুকিশিংনা তম্পাক্তা কুল্লকপদা মীতৈশিংনা করিসু তৌগদবা লৈতে। কুকিশিং মনুং চল্লি-চন্দে হায়না য়েৎনরিবা অমদি মখোয় মশানা তোঙানবা আইদেন্টিটি অমনি হায়রিবা থাদৌশিংগী লুচিংবশিং ইম্ফালদা লাক্লি। মতৌ অদুগুম্না ইম্ফালদা লাক্লিংবা কয়ামসু লৈরম্বা য়াই। অনা লায়েংশঙগী অমদি লল্লোন ইতিক্কী লম্দা মখোয়দা মাঙজবা কয়ামসু লৈরিবনি। অমুকসু নেশনল হায়ৱেশিংদা চৎপদা মীতৈশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট ফংদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা নকখ্রবা ইম্ফাল টু দিমাপুর চৎপসি অচৌবা খোঙচৎ অমা ওইরি। অৱাং সেকমাইদগী খজিক্তং হাইথদুনা চৎপগী খুদোংচাবা মীতৈশিংনা ফংদ্রি। তেনখ্রবা কিলোমিটর খরসিফাওবদা অয়েৎ অপন পীরক্কদবা কুকি টেররিষ্টশিংবু ৱারকপা ঙমদবা প্রসিদেন্টস রুল অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাকসিনা তৌরিবা লৈঙাক অসিবু করম্বা মখলগী লৈঙাক্নো? ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিসিবু করম্বা মখলগী দেমোক্রেসিনো। লৈবাক অমগী মদুসু দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক্কি হায়না মালেমদা চাওথোকচরিবা ইন্দিয়ানা মহাক্কী ষ্টেট অমগী মনুংদা লৈবা মীয়াম্বু মখোয়গী মরমদমদা ফ্রী ওইনা চৎপা য়াহন্দবসিবু মালেমগী মীয়াম মমাঙদা ইকায়বা ফাওদবজাৎলা। মণিপুরদা ইন্দিয়ানা তৌবীরিবা, য়েংবীরিবসি মখল মথেলনি। ভোট থাদবদি য়াহল্লগা লেপ্পদি য়াহন্দবা মীতৈশিংসু মখোয়না আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা থন্বীরি , অঙকপনি।

ইরমদমসি মপী-মপা লৈত্রবা হায়বদু ওইরে। লৈবাক মীয়ামগী পেন্দবা অৱাৎ অপা কয়াগী ৱাকৎ কনানা তাবীগনি। মীয়াম্না খনখিবা মীহুৎশিং প্রসিদেন্টস রুল থমজিনখিদুনা শক্তি পায়হন্দ্রে। শোমদদি লৈবাক মীয়াম হা-কার লাউরে। লম্বী থোং, ইরম-নালা অমত্তা য়াদ্রে। মসিগী মথক্তা ইম্ফাল ময়োলদা ওইরিবা দেঙ্গিগী কেস, করিগুম্বা মীয়ামগী পেন্দবা অমা লৈবদা করি করম তৌসিগে হায়না তান্না-তিক্না তৌগদৌরিবসি ঐখোয়গী মীহুৎ এম এল এ, মিনিষ্টরশিং অদুগনি। অদুবু হৌজিক্তি প্রসিদেন্টস রুলনিনা গভর্ণরগা উন্নবা তাবনি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী কনানা মকোক থোংবা কম্মিস্নর, দিরেক্টর ওইরিবগে হায়বা মীচম মীয়াম্না খঙলুবা নত্তে। অমুকসু ঐখোয়গী মীয়াম্না লৈবাক্কী ওইবা ৱাফম অমগীদমক্তা গভর্ণরগা উন্নবা হায়বসি হেক্তা লায়না অমদি কোম্না নুংঙাইনা পাউ ফাওনবা হায়বদুমক্তি ওইদে। অদুনা য়েংশিনবীনবা মপী-মপা লৈত্রবা মীচম মীয়াম অদুমক ৱাবা তাবনি। চাওখৎ লমজেল মনীং হন্দুনা চৎপা তাবনি। মতাংসিদনি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী মীয়াম্বু অমসুং ঐখোয়গী মীহুৎশিং অসিবু করম্বা মীৎয়েংনা য়েংবীরিবগে হায়বগী ৱাহং অমা চাউনা থোরক্লিবসি। মখোয়না মণিপুরদা য়েংবীরিবা মীৎয়েং অসিদি মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈতবা ষ্টেট অমগুম্লে।

মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি সেন্টর অমদি ষ্টেটতা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরিবনি। ঐখোয়গী লৈঙাক্তি দবল ইঞ্জিনগী গভর্ণমেন্টনি হায়না মখৌ পোঙনা লাউখিবনি। অদুগুম্বা দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক্তুনা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু খরনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন নমদুনা লৌগনি হায়না থোকহল্লকখিবা লান মফম মতম চানা লাকশিলহৌদবদগী হৌজিক্তি মণিপুর শলাক শারে। মীতৈশিং অচৌবা জেল অমগী মনুংদা লৈরিবনি। জে লসিগী অৱাংগী থোঙনা অৱাং সেকমাই লোইশিল্লকপদনি, খা নোংপোক মায়কৈদনা পল্লেল লোইশিল্লকপদা, মনীং মায়কৈদনা কৈথেলমানবী, মখারোমদনা তোর্ব্বুং, অৱাংদনা য়াইঙংপোকপীনি। মসিগী মনুংদনিনে মীতৈশিংনা লৈরিবসি। অমরোমদা লমদমসিগী বি জে পিগী এম এল এশিংনা লৈঙাক শেম্নবগীদমক্তা সেন্টরগী লুচিংবশিং কয়ারক উন্নবা হোৎনবদা উনহল্লকখিদে। মসিনা মণিপুরগী লুচিংবশিং অসিবু লূম্না লৌদে তাকপনি। বিহারগী ইলেক্সন লোইখ্রগা মণিপুরগী লৈঙাক শেমহল্লক্কনি হায়না হিসাব পান্নরিবনি। অমুকসু ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনগী মতমদি খঙহৌররোই। খূৎতা লৈরিবা মতমসি শুপ্নতংগী চহী অমরোমগী মতমনি। মসিদা লৈরিবা এম এল এশিংগী মতিক মথৌনা ফুদোকহৌদ্রবদি মথংগী টর্মদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লাকপগী আশাদি মমি শাম্মী।

লোইশিল্লকপদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লানগী ৱারোইশিন ঙসিসু য়ুনিয়ন লৈঙাক অমসুং প্রসিদেন্টস রুলনা পুরক্ত্রি। মীতৈশিং মশাগী মরমদমদা ফ্রী মুভমেন্ট ফংদ্রি। লাঞ্জেন্নরিবা আই দি পিশিং পূন্সিগী ৱাহন্থোক লৈতনা হিংলি। লমদমসিগী আই দি পিশিংদা তেংবাংলিবসিগা কাশ্মীর তম্পাক্তগী লাঞ্জেল্লকখিবা কাশ্মীরী পন্দিটশিংদা পীরিবা তেংবাঙশিংগা অসুক খেন্নরিবসি করিগীনো হায়না য়ুনিয়ন অমদি প্রসিদেন্টস রুলদা হংলি। অথুবা মতমগী মনুংদা লানসিগী ৱারোইশিন য়ুনিয়ন লৈঙাক অমসুং প্রসিদেন্টস রুলনা পুরক্কদবনি। ‘বিক্সিট ভারত’ তা খোঙ থাংজিল্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরবু মীরাইবীরবদি মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নত্তবরা হায়বগী ৱাহং লাক্লি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মুল্লগা কেল্লকপনি ঙায়নরিসে কেল্লকপদা অপৎপসু মথেংনৈ...



## - রঞ্জিৎ নিংথৌজা -

য়েংববু হৈরবদি কুম্মৈনি। তাববু হৈরগনা ঈশৈনি। হৌজিক্কী মতমসি মী খুদিং খম থেংনা ৱানরে। কনাগুম্বা খরদদি খম থেংনা নুংঙাইবা মতম ওইরম্বসু য়াই। মীওইবা খুদিংগী কোক্কী অনেম অৱাং মান্নদে। মীওই খরদি মকোক্না ৱা ঙাঙই। মখূৎনা মীয়ামগা লোয়নৈ। মখোঙনা চাক চায়। সিগুম্বা মখলগী মীওই কাঙলূপ্তুদি হৌজিক অসি খম থেংনা নুংঙাইবা মতমনি। অদুবু চাবগা ৱা ঙাঙবগা দবল ইঞ্জিন ওইনা চিনবান শীজিন্নবা, মখূৎনা ফুরিখাওদা লোৎপা, মখোঙনা ফমুং থিরবা মীওইশিংগীদি খম থেংনা ৱাবা মতমনি। অসিগুম্বা মখলগী মীওইশিংসে নিবনা শিনফম ওইগনি। কপ্পদা মচু তাগনি। ঈহৌদা মাঙজিল থাগনি। মীৱা ঙাঙজরগা পোখাবা ঙমগনি। মীদিয়া মমাঙদা পর্ফোর্মেন্স ফজগনি। ৱাথোক শেম্বদা হৈথোই শিংথোইগনি। ফিজোল নানগনি। ৱাইরগা মপু শাগনি। তোলোপ চাবা পামগনি। লৌদি তীল তাই, তোলোপতি তীল তাদে খনগনি। ওফিস অৱার লোইরগা লকজ রি কারদা খুলদা থৌজিন্নীংগনি। মাইক্রোফোন উবদা ঙাওগনি। সিগুম্বা মখলগী মীওইশিংগীদি হৌজিকসি খম থেংনা ৱাবা মতম ওই।

ইথন-ইথন্তা খঞ্জদুনা য়েংবসিসু মতম মাঙনবনি হায়বীদোইরা? অফবা মপা মমা কদায়বু কৌই? খোখোপ্পনা অসুম্না খল্লি। মচা-মশুবু চৎনবা য়াবা প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তমহনবা ঙল্লবা, মচাদুবু ভেনদা স্কুল কাহনবা ঙল্লবা, সবজেক্ট খুদিংগী ট্যুশন তমহনবা ঙল্লবা, থীফম থোকপা ভেনগী, স্কুলগী, ট্যুশনগী ফি তোন্দবা, হরাও কুম্মৈ লাকপা খুদিংগী মচাশিংগী ফিজোল শিনবা ঙল্লবা, থবক হল্লকপদা অথোংবা, অতাওবা ময়োম-ময়োম লৈরকপা ঙল্লবা, মসিদগী খিক্তং থাক ৱাংখৎকে হায়রগনা ইরম-নালা খাক্লমদনা যূল্লোন্নবগা শম্নদনবা ফেন্সিং ৱাংনা খাজিনবা অমহিকসুং অহেনবা শেনফম পাম্বৈ লৈত্রবশিংদা চাইথোক্তুনা মখোয়গী ঈ চূপ্লবা, হূইগা ইমুংদা লোয়নরবা, হূইগা ৱাকিং চৎমিন্নরবা, থৌদোক-ৱাথোক, ইশোন-তিনশোনবা মতমদা শোন্নপুং ময়ায় তানীংবা মীওইশিংবু অফবা মমা মপা ওইনা হৌজিক্কী মতমদা লৌনৈ।

খুন্নাই অসিদা ফোং ফোং শানা হংনরিবা ৱাহং হায়রগদি করি থবক তৌই। কনাগুম্বনা মমায় মকা লাম্না পাউখুমনীংবসি তোলোপ চাবা থবক অমগী মমিংসি ওই। নুপানসু নুপী তোলোপ চাবী পাম্মী। নুপীনসু নুপা তোলোপ চাবা পাম্মী। অসিগুম্বা মখলগী অপাম্বা মীওইশিংনা তুংগী মীরোলবু থৌশাদে। মফূরুপ মখুন্নাই নুংশিবা ৱাৎলি। খুদোংচাবদা যূম্ফম ওইরক্কনি। মশাগী ঈদো মীতোপকী ঈদা তিনখিবদা চেকশিনবা তৌদে। কনাগুম্বা খরনা ফজবদা ঙাওই। ফজবা হায়বসিদা মায়থোংখক্তদা নাপ লৌই। লমচৎকী, কয়াৎকী, ঈগী ফজবদি কনাসু খল্লুদে। মকুদা ফজবগী মরেপ লেপ্পী। হায়রিবা মী মখল অসিনা মীওইবগী পূন্সিবু হৈ-লৈগা পাঙ্খক ওইহল্লি। খাংঙুথক্কী থৌদোক কয়া থোকহল্লিবসি ফজবদা ঙাওজবা মীওইশিংনা মশীং য়াম্মী। লুপা ময়াম চঙদনা মশানা হোৎনজরগা মহৈ হৈবা ডোক্টরেট ফংজবা মীগী মশীং অতাঙবনি। মশীং লিকই। লাইরিক ৱাংনা তমজবা ঙমজদবা, লৈখোম ককইগা লোয়নবা, হুমাংনা হকচাংগী লৈতেং ওইজবা মীওইশিংবু অনেম্বা থাক্কী মীওই ওইনা লৌনৈ। হৌজিক্কী মতমদা খম থেংনা নুংঙাইরিবা কাঙলূপ্তি অরোইবগী মী মখল অসিনা ওইরি।

ৱাখল খ্বাইদগী নুংঙাই য়াইফবা অকোনবগী মীওই কাঙলূপ অসিগী মশীং হেনগৎহনবদা লমদমসিগী ৱাথোক লান্থোক হন্থরক্কনি। ৱাথোক হায়বসিগী হৌরকফমদি চৎন-পথাপ (খুন্নাই কাঙলোন) অসিনি। লুহোং খোঙদোংবদা ফিজং চবাক চবাক খল্লগা, পোৎলোই মেক-অপতা লুপা লাখ থাধরগা ইৱাবত, পাওনা, টিকেন্দ্রজিৎ, লিম্থৌইঙম্বী, মাদর টেরেশাগুম্বা ঙাক্তা পোল্লক্কদবা নত্তে। শেল তানবদগী শেল হৈদোকপনা হৈবা হেল্লিবমখৈ খম থেংনা ৱারবা খুন্নাইগী মশক উমিন্নগনি। ৱারগা নাৎ কলচরদা তায়নরক্কনি। চৎনবীদা পোৎয়ান চংখিবসি লৌফমদা কল করখানা, প্রাইভেট স্কুল শাজিন্নরগা সুপরফাইন চেঙদা থৱায় লুপ্পুবগা চপ মান্নৈ কনাসু খন্নদে। লমগী ষণনা মচি শাংনরিবসি কখোকপা য়াওদবশিংগী থৌদৌদা থাজবা মাঙহন্নবগীনি। মীগী হোস্পিটালদসু অনাবা শি। ঐখোয় শ্বাইগী হোস্পিটালদদি নাদবফাও শি। থাজহন্দবা অসিনা লাইররিঙৈ মথক্তা হিংনীংবা কৌবনা মীরমদা শেল হুন্দোকপা চৎনৈ। হৈতবৈ নত্তবা থৌশাদবনা থাজহনখিদবসি অমাঙবনি চেকশিন্নদ্রি।

শিন্মী অমদি থৌমী হায়বসি মীওইবগী খূৎ য়েৎ ওইনি। অমা য়াওদবদা শোয়নাইবা খুন্নাই ওই। শিন্মীনা পোথোক পুথোকই। থৌমীনা পোথোক্তু মফম চাহল্লি। হিংবা লৌবা থোং অমগী মখোঙ অমদি পায়ফমসি শিন্মীগা থৌমীগনি। ৱা য়াম্না ঙাঙবা মীদা ৱাঙাঙলোই হাপ্পুবগী ৱাকায় মুখৎপা ঙমদবা য়াই। ৱা মচং ঙাঙবশিংনা মীয়াম্বু মিৎ মায় পাঙহনবগী মমল তারিবশিংনা পীফম থোকই। ঙাঙবা হৈবা মীদগী তাবা হৈবা মীনা মহৈগী থাক ৱাংবা হেল্লি। কুম্মৈদা যূম্ফম ওইবা খুন্নাইদো চাওখৎলিবনি। কুম্মৈবু ঈরাং ওম্থোল্লবদি চাওথরিবনি। থাবল চোংবগী, লিকোন শান্নবগী নৎত্রগা লাই হরাওবগী মখল মথেলশিং মাগী মাগী মফম মতম লৈরিবদুদগী ঙমখৈ লান্থোকহল্লিবসিদি আবেরগী মহুৎ মোরোক মকুপ তৈশিল্লবনি করম্না হায়রোই। ফ্রী এদ্যুকেশন পীবা লৈবাক য়াম্না লৈরে। লায়েং কাঙলোনসু শেল তিংহন্দে। পোকঙমদনা পোকপা মীওইবনি। শিরগা অনৌবা মপোক অমদা হল্লকই হায়বদু ঙাইহাক ৱাখল নুংঙাইনবা পংহায় হায়নবগী ৱানি। খরা হেন্না পূন্সিনবা ইদাক পুথোকপনা হেন্না ফৈ। লমদমসিদদি ফি য়াম্না চাউবা লন্নাই স্কুলশিংদা মিং চনবা হানবা তান্নৈ। শেল তিংদবা লৈঙাক্কী স্কুলসি তম্বদা হৈরোইদবা মফমগুম লৌনৈ। মসিদি ফার্মাসিদগী য়ু য়োনবনা শেল তোংবা হেল্লি হায়না খনবগুম্বনি। পূন্সি শাংদোক্লবা ইদাক পুথোকপগী মহুৎ হাৎতোকপা হানবা তান্নরিবা লানগী খূৎলায় পুথোকপগা চাংদম্নবা য়াই।

লান পাল্লিবসি মীওইবগী মমল খঙদবা মীওইবশিংনি। সনাগী লিক্লাং অমা লেপশিনবগী মহুত্তা অতাঙবা নোংমৈ অমা লেপশিনবনা হেন্না পামজবা মীসু কোঙ্গাইনি। নোংমৈদুনা মাবু কনবীবদগীদি সনাগী মরীদুনা কনবীবনা মীওইবগী লিচৎনি হায়বা খল্লুদে। নোংমৈ বোম টোপ মৈহৌ লাংপোক উবদা নুংঙাইবা ঙম্বা মীওইশিংনা নুংশিবা পুঙ ঈশৈগী মখোলদা মখোয়দৌ শাউগৎহল্লি। নাৎ কলচর জগোয় ঈশৈবু মুখৎনবা তোয়না হোৎনৈ। থিংজিনবা হানবা তান্নরক্কনি। শাবুক ঙাবুক্কী থৌওং উৎলিবশিংসিদি পোকপদগী মীনুংশি লোয়নরক্তবশিংনি। মখোয়সি মীওইবগী কয়াৎতি পানবা মীওইবদি ওইবা হৈত্রিবা শা হায়বদুনি। শাগী শারমচৎ থিংবা হায়বসি কোক্না নত্তনদি ঈশিংগী মহুৎতা ঈ ওইনা থক্লরগা তোক্কনি। খৎনবা হৌরিবশিংগা খৎনগে খল্লোয়দবনি। মসিদি হূইগা মান্নবা চিনথিবা কৌই। হূইনা খোঙলিবদুদি মপূনা মথিবোং থাক্লিবদুগী খোংজরিবনি। মপুনা লুখাক থারক্তবা মতমদা হূইনা চাক থোংজরগা চাবা হৈজবসু নৎত্রি। তাং ৮ হায়না লাউথোরকপদা মীপাইনরিবশিং থবক লৈতবা মীওইশিংলা?

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লিনা মীয়ামগী লৈঙাক অমা ঙায়নৈ। লৈঙাক লৈতনদি খুন্নাই চথবা য়াদে। অদুবু মীয়ামসি মশাগী মীহুৎ খনবদি হৈখ্রবরা? মমাঙদা খনখিবদুদি মুল্লগা কেনখ্রেনা। চং থোকপা লৈঙাক অমা শেম্নবা মীয়াম শেম শাবীরব্রা। কনা কনা মীহুৎ ওইহনসিগে থিবীরব্রা? হৌজিক অসি চপ চাবা মতমনি। মীয়াম্না ঙায়রিবা অনৌবা লৈঙাকপু ইশানা খনবা চং থোকপা মীহুৎশিংদুনা ওইগদবনি। অনৌবা হায়বসি মমিং হোংবা মকু শিনবদু নত্তে। পুম্নৌ নৌবা ওইগদৌবনি। মীহুৎ খনবদনা হুমাং তাহৌদ্রগা ৱাকৎ খোঙজংদনা হুমাংদগী হেন্দোক্তুনা ঈ তানরগা কৈদৌনরুনি। শামু মনীং পেনা খোঙবা ওইনা থোক্কনি। ইশা য়োল্লগা মাগী লল্লোনপোৎ ওইরবা ঐনা হৈ অমুনবা তারকপা ঙায়রবদি হৈ অপৎপা ওইনা ফংবা তাবনি। অমুনবা হৈগী মপু নঙনা য়েংশিনবীহৌদ্রবদি অপৎপা তীল চঙবা হৈগী মহুত্তা মিৎ উইশিল্লগা য়া কাথোক্লিবা ঐখোয়গী ইয়াদা লিন ওইনা হৈথরক্কনি। হৈথরক্লিবা মাগী মরাল নত্তে। হৈ মপু ঐখোয়গী ইরালনি। মখা তানা কপখিনি। মখা তানা কপনীংদ্রবদি মীখলদা ৱাখল খলহৌসি। ●

# ‘ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেংগী ওজা ক্ষেত্রিময়ূম মাঙ্গোল’

## - রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

ওজা ক্ষেত্রিময়ূম মাঙ্গোল কুমজা ১৯২৮গী মার্চ ১৩দা লৈখিদ্রবা ক্ষেত্রিময়ূম য়াইমা অমদি নাওরেম নিঙোল ক্ষেত্রিময়ূম ওংবী চাউবীগী মচিন মনাও নুপা ৪, নিঙোল ২গী মনুংদা ইতোন তোনবা মপারি ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। মচিন মনাওশিংদি ক্ষেত্রিময়ূম চাউবা, থম্বাল, কুমুদা, ইবোতোন, থানিল অমদি লৈখিদ্রবা ওজা মাঙ্গোলনি।

ইম্ফালদগী থৌবাল্লোমদা চৎলগনা ককচীংসি কিলোমিটর ৪৫ লাপ্পী। মীয়াম্না ময়ায় লম্বী হায়না খঙনবা ময়াং ইম্ফাল ফাওদুনা চৎলগনা কিলোমিটর ৩৮ লাপ্পী। ওজা মাঙ্গোল পূন্সিগী অঙনবা অয়ূক্কী মতমদা অহানবা লাইরিক তম্বা হৌখিবা ষ্টেট লৱার প্রাইমারি স্কুল ককচীং ৱাইরিদা লৈবসিদা লৈখিদ্রবা ওজা সনাজাওবা অমদি নরজিৎ অনীগী মখাদা পুন্সিগী এদ্যুকেশনগী লম্বী লমতাকপীরকখি। মতমদুগী মণিপুর তম্পাক পূম্নমক অমদি জিরিবাম য়াওনা মণিপুর ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেন্ত্রেল দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর নোর্থ দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর সাউথ দিষ্ট্রিক্ট হায়না দিষ্ট্রিক্ট মঙাদমক লৈবা মতমনি। মতম অদু ঙসিগী অসি নত্তে সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমগী মখাদা স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭গী ওভরওল কন্ত্রোল তৌরম্মী।

মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মঙা লৈরম্বদগী অনৌবা মরি হেনগৎহনবা মমিং অনৌবা থোনবা কয়া মথং মথং ঙসিনা ২০১৬কী দিসেম্বর ৮দা অমুক অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অমা অমুক হেনগৎহন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ লৈরে। মদুগী মনুংদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টসু অমনি। ঐখোয় মীওইবনা চাওখৎপা লম্বী থোং ফবা, মহৈ মশিং মতিক চানা হৈবা, লৌশিং-জ্ঞান তানশিনবগী খোঙজেল য়াঙনা চৎনবা হোৎনবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী মচৎনি। লৈরমদবা লৈরকপা, শেমগৎ-শাগৎপা, মতম মতমগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পুকচেল শেংনা থবক তৌবা লৈঙাকপা কয়াবু মীয়াম্না ইকায়খুম্নৈ। মবুকচেল শেংদবা লৈঙাক্লোই কনাবুসু মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদে। প্রোফেশন খুদিংমক্কী মনুংদা ওজা হায়বা শিনফম অসিসু মীয়াম্না খ্বাইদগী ইকায়খুম্নবা শিনফম অমনি। মরমদি ওজাগী শিনফম্বু থম্মোয় শেংনা চৎলিবা মীনা কৈদৌঙৈদসু ওইদবা ঙাঙবা য়াদে, অচুম্বা অশেংবা অদু খক্তনি ওজাশিংনা ঙাঙলিবা। মসিনা অচুম্বা অশেংবা থোং ওইদুনা গুরু শিষ্য পরম্পরাগী শেংলবা লম্বীনি। ওজা মাঙ্গোল মচিন মনাও তরুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী অতোনবা ওইবা মরম্না ময়াম্না মচে পূম্নমক্কী পাখোন শিফম ওইনা ময়াম্বা, মতৈমশিংনা ইঙ্খোল শম্বল শুবা নোম্বা য়াওদুনা চল্লবা খুঙ্গংগী পূন্সিদা চাউরকখিবনি। অসুম্না এল পি স্কুলগী পূন্সিদা অহানবা, অনীশুবা মথং-মথং তম্বা লোইশিল্লকখি। ওজা মাঙ্গোল ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা মঙাশুবা পরিক্ষা থারিঙৈ কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২, লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিদা ইমা লৈবাক মণিপুরগী ইতিহাসতা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদৌবা অনীশুবা নুপীলাল ঈহৌ হৌরক্তুনা মদুবু নমথনবা হোৎনরকপদা মপান লমগী ময়াং লাম্মীগা মৈত্রবাক্কী ইমা ইবেল, ইচে-ইচন কয়াগা মুক্নরকপনা ওজা মাঙ্গোলনা থারিবা পরিক্ষা কায়দুনা পূম্নমক খা-রাই খঙদনা চেন্নখি।

ক্ষেত্রিময়ূম ওজা মাঙ্গোল কুমজা ১৯৩৯দা মঙাশুবা পরিক্ষা হায়দোক্লবা মতুংদা সংস্কৃটতা চহী অহুম তমদুনা লৈরবা মতুং কুমজা ১৯৪৬তা চুড়াচান্দ হায় স্কুলদা ক্লাস সিক্সতা মিং চন্দুনা মথং মথং ক্লাস আইট তল্লকখি। কুমজা ১৯৪৬তা লৈখিদ্রবা ওজা ইবুংঙো চিঙাখম পিশকনা চুড়াচান্দ হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইরম্মী হায়না তাকপী। স্কুল অসিদা অঙ্কগী মমিং লৈরবা ওজা হেরাদা প্রাইভেট তম্বা ওইনা তাথোক তাশিন তৌনবদা ক্লাস টেন/মেট্রিক পরিক্ষা থাগে হায়রুবগী য়ারক্তবদা কাঞ্চিপুর হায় স্কুলদা ক্লাস নাইন অমসুং টেন তল্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৫০দা মেট্রিক পরিক্ষা থারবা মতুং দি এম কোলেজদা আই এ তমথরম্মী। অহানবা চহী লোইখ্রে অনীশুবা চহী লোইশিন্দনা লাংমৈদোং হায় স্কুলদা ওজা ওইনবা চৎপা মতম কুমজা ১৯৫১দা ওজা মাঙ্গোলদা ওজাগী ক্লাস কয়ানো হংলকপদা আই এ অরোইবা চহীনি হায়বদগী মাগী ওজা ওইবগী অয়াবা পীরকখিদে। হেদ মাষ্টর অদুনা ঐগী স্কুলগী ওজা পূম্নমক মেট্রিক অমত্তা পাস তৌদে অদুনা নঙদি আই এনি মদুগী তোলোপ পীবা ঙল্লোই হায়দুনা য়ারক্তবনি হায়না তাকপীখি।

মথংদা চহী অদুমক্কী হায়বদি ১৯৫১দা ৱাবগাই হায় স্কুলদা ওজা ওইরে। মতম অদুদা কোলকটাদগী ওজা রবিন্দ্রচন্দ্র ভট্টচার্য কৌবা অমনা হেদ মাষ্টর ওইরম্মী হায়না তাকপী। মতম অদুগী থাগী তোলোপ অসি লুপা ৩০নি। হায়রিবা ৱাবগাই হায় স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ওইরিবা রবিন্দ্রচন্দ্র ভট্টচার্য অসিগী পোকমিন্নবা ময়াম্বা হোরেন্দ্রোচন্দ্র ভট্টচার্য অসিনা ময়াং ইম্ফাল হায় স্কুল ঙসিনা নিংথৌজম তোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ওইরম্মী হায়না তাকপী। মসিনা মরম ওইদুনা ময়াম্বনা মনাওনুপাদা নঙগী ইংলিস তাকপা ঙম্বা ওজা লৈরবদি মতম খরা ঐগী স্কুল অসিদা ইংলিস তাক্লবা থারকউ হায়বদগী ওজা মাঙ্গোল ককচীংদগী ময়াং ইম্ফাল হায় স্কুলদা চয়োল অমদা অহুম-মরিরক একাগাড়ী তোংদুনা চৎলগা ইংলিস তম্বীবা চৎলি হায়। মতম শাংদে থা তরুকলোমগী মতমনি হায়না তাকপী।

হোৎনবা কনবা ওজা মাঙ্গোল ৱাবগাই হায় স্কুলদা ওজা ওইনা ওইনা আই এগী অরোইবা পরিক্ষা থাদোক্লগা ইন্টরমিদিএট ওইখি। হনবা নাইদ্রবা ওজা মাঙ্গোল ১৯৫৯দা ইন্টরমিদিএট লোইখ্রবা মতুং ১৯৬৪দা অমুক বেচেলর ওফ আর্টস ওইবা ঙমখ্রে। ওজা মাঙ্গোলসু নাওরেম নিঙোল কৈন্যাহনবীগা পূন্সি যূম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নদুনা মচা নিঙোল অমা ক্ষেত্রিময়ূম বাসুমতি (মচা অহল), ক্ষেত্রিময়ূম রাজেশ্বর (অনীশুবা) অমসুং ক্ষেত্রিময়ূম ইঙোচা/ইবোমচা (অহুমশুবা) ফংজ খি। অসুম্না ওজা মাঙ্গোলগী লোয়নবী নাওরেম নিঙোল কৈন্যাহনবীনা ওজাগী থৌগল মপূং ফাদনা পূন্সিদা শেৎন-খায়নবগী চাকথুং য়ৌরক্তুনা তাইবঙপান থাদোকখ্রে। ইমুং মনুং শেৎন-খায়নবা কয়া মায়োক্নরবসু ১৯৬৭তা বি টি লোইশিনখি। পূন্সিগী শাংলবা মতম ৱাবগাই হায় স্কুলদা ওজা ওইনা লেনখি। মমৈথংদা ককচীং গার্লস হায় স্কুলদা ত্রান্সফর লাক্লগা থবক অদুদগী ১৯৯২গী এপ্রিল ১৭তা ভোলন্টরি রিটাইয়রমেন্ট লৌথোকখি। ১৯৫১দা থবক চংবা ওজা অমনা ৱাবগাই অমসুং ককচীং গর্লস হায় স্কুলশিংদা হেদ মাষ্টর অমা ওইবগী এদমিনিষ্ট্রেশন এন্দ টিচিং খুদিংমক মথৌ মশক খঙনা থবক তৌরম্বনা খুল্লোন্নবা ৱাবগাই ককচীং অনীগী মহৈরোয় কয়াবু মাগী মাগী তুংগী পূন্সিদা মীমান্ননা লৈনবা লৌশিং-জ্ঞান তাকপী-তম্বীখিবগী ইকায়খুম্নবা অদু ঙসি ফাওবা মাঙদ্রি।

ক্ষেত্রিময়ূম গৌড়ানিত্যায়গা অহানবদা উন্নরগা ওজা মাঙ্গোলগী যূমদা চৎলগা ঐখোয় অনী পূন্না চৎমিন্নদুনা ক্ষেত্রিময়ূম ওজা মাঙ্গোলগা চৎলিবা চহিসিগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২দা উন্নজবা অদুগী পাউদম ওইনা ওজাসি মশাগী চহী ৯৮ শুরে। অনা অয়েক থোইদোকপা লৈহৌদে। মচা নিঙোল কয়ানা ফজনা থৌগল তৌদুনা নুংঙাইনা লৈরি। ওজা মাঙ্গোল উন্নবা লোইরবা মতুংদা খুরুমজরগা থোরকই। মচানুপা অহলনা থোঙ্গাল ফাওবা থিন্দোরকখি। ইনাও গৌড়নিত্যায়গী যূমদা চঙমিন্নরগা মহাক্কী ইবেম্মা অমদি মমৌনুপীনা পুথোরকপা শঙ্গোম খির খরা চারগা ঐসু ইয়ূম মায়কৈ পাংলকখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।